# শামুদি অশেংবা লৈঙাক্লোই লুচিংবা খনবা ঙম্মী হায় ঐখোয় মীওইবদি হৈত্রবরা?

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

ইপা-ইপুশিংনা থন্বীরম্বা থাজ-ৱারীশিং অমদি শৈরোল শৈথাশিংদা লৈবাক নিংথৌ লৈতবগী অৱাবা তারক্লবা মতমদা শামু হায়রিবা শা অসি থাদোক্তুনা সনা ফম্বান্দা ফমগদবা নিংথৌ অমা ওইবগী চপ চাবা মতিক-ময়াই লৈবা মীশক অদু কোয়থি থিহনবগী ৱারী ৱাখোঙ থেংনৈ। মৈদিংঙু খুঞ্জাওবনা থূপখ্রবদা শামুনা পুরকখিবা পাইখোম্বনা কংলৈ নিংথৌ ওইহনখিবগী ৱারী মমাঙথক্তা থমজখ্রে। যূম্নামচা বুদ্ধিচন্দ্রনা ইবা ***লীকসংনু শাফবী*** হায়না মিংথোনবা ৱারীদসু মরী লৈনবা মতাং য়াওরি। থাঙ্গাল খুল্লাকপগী মমোম লীকসংনু শাফবীনা পাল্লৌ য়াল্লিনৈঁদা পাখঙবগা নুংশি মরী থমদুনা মীরোল্লম্মী। মপা খুল্লাকপা য়াওনা খুঞ্জাশিং খঙনরকপদগী মপানা মাবু ময়ূমদগী তান্থোকখি। নোংমা উমংদা লেল্লিবী লীকসংনুগী মনাক্তা পাখংবা লাক্তুনা মতাং তরেৎ পানবা চৈশু অমা পীরগা অসুম্না হায়রম্মী।

“লীকসংনু নঙ ৱারবসু ৱানা মতম খরা খাঙখো। নহাক নপারী অমা শোয়দনা ফংজগনি। চৈশু অসি চেৎনা থমজিল্লু। মসিগী মপান্না নপারিনা লৈবাক নিংথৌ ওইগদৌরিবনি। মসি পায়রিবমখৈ নমা নচাগী মাঙদা কনাগুম্বা য়েক্লবা অমত্তা খাঙবা ঙম্লোই।”

ৱাফম অসি হায়রল্লগা পাখংবা চৎখ্রে। মতম খরা লৈরগা উমং অদুদা মপারী সনা য়াইরংচান ফংজরবা মতুংদা মমা-মচাগী শাইদাংফম থিরকখি। মোইরাং অঙন্বা খুয়োনহনবনা মমা-মচাবু নাউকোনবীখি। পাখংবনা পীরম্বা মতিক ময়াই লৈরবা চৈশু অদুগী ৱারী ৱাখোঙ লীরবা মতুংদা লীকসংনুনা চৈশু অদুদগী মতাং অহুম ককথৎলগা খুয়োনহনবদা পীরম্মী। নোংমা খুয়োনহনবনা কংলা কাবদা হকচাং ঙমদদুনা লৈরিবা মোইরাং নিংথৌনা কৌবদগী খুয়োনহনবনা নিংথৌ শঙ্গাইদা চঙলম্মী। থোঙজিন্দা ঙাদুনা থল্লম্বা চৈশু অদুদা চেন চোংদুনা শান্নরিবা নিংথৌগী পীক্লিবা মপারিনা থেংলুবদগী চৈশু অদু তুরম্মী। চৈশু অদু কাল্লুবদগী নিংথৌমচাদু খুদক্তা শিরম্মী। খুয়োনহনবনা চৈশুগী অশেংবা ৱারী লীবদগী চৈশুদু মোইরাং নিংথৌনা লৌহৌরে। মদুদা চিংনবদগী খুয়োনহনবনা মমা-মচাবু যূম অদু থাদোক্তুনা চেলহনখি। অমরোমদা, নোংমা নৎত্রগা নোংমদি নিংথৌ খুভম মুল্লক্কদরা হায়না চিংনবদগী মমা মচাবু ফারুনবগীদমক নিংথৌনা শঙলিংবা হঞ্জবদা থৌদা শিন্নরম্মী। শঙলিংবা হঞ্জবা অমদি মহাক্কী কাঙবুনা খুয়োনহনবগী যূমদা লাক্লম্মী। অদুবু মমা মচামক মখোয়না তূল্লিনৈঁদো লোন্না অহিংদা চেনখ্রে হায়বা খুয়োনহনবগী পাউদম অদু থাজরদুনা মমা-মচাগী খোঙ্গুল লীবা চৎখ্রে।

লীকসংনুদি তুরেল অচৌবা মপান্দা থুংলবদা তুরেল লান্থোকপা ঙমদনা লৈরম্মী। মহাক্লা হায়জবদগী তুরেল ৱাংমদা ফি শূরন্বী শঙ্গোয় তাবগী নুপীনা লীকসংনু মপারী অমদি চৈশু অদু হান্না লান্থোকপীরম্মী। অদুবু লীকসংনু লান্থোক্লবা হি অদু হোন্ননবা য়েংলুবা মতমদদি ঈয়াইদা তাউথোকখিবদগী ঈরৈনা চেন্থদুনা ঈশিং মনুংদা লূপশিনখ্রে। অরাপ্পদা শঙলিং হঞ্জবা কাঙবুনা লাউ খোংদুনা চেল্লকপদু উবদগী শঙ্গোয়তাবীনা অঙাং অদু পুরগা অরোং খুল্লক্তা চেনশিনখিরম্মী। শঙলিংবশিংনা তুরেল খোংবান্দা থুংলুবা মতমদা শঙ্গোয়তাবীনা অঙাংদু পুরগা চেনখিবদু উরবসু ঈশিং ঈচাউদু লান্থোক্লবা হি লৈতবা অমদি তুরেল ৱাংমদু খুমনগী লমখৈ ওইবনা চঙশিল্লুবদা ৱাথোক লান্থোক লৈগদবা মরম্না সনা য়াইরংচালবু ফংননবা তুরেল লান্থোকখিদে। লীকসংনুবু ফারগা পুখিদুনা মোইরাংগী কৈশুমশঙদা থমখি। শঙ্গোয়তাবীনা ময়ূম য়ৌরগা মপুরোইবা শঙ্গোয়তাবগা লোয়ননা সনা য়াইরংচালবু পুরগা শিখোংদা থৈদুনা লৈখি।

অসোমদা সনা য়াইরংচালনা চহী তরাহুমদোই শুরকপা মতমদা কবোদা অৱাবা ফীভম অমা মায়োক্লরম্মী। কবো নিংথৌবু লাইরেন নাকা নিংথৌনা হাৎলম্মী। অনৌবা নিংথৌ অমা হাপ্লবসু অদুম্মক হাৎলম্মী। লাইরেন নাকা নিংথৌবু হাৎনবা হোৎনরুবা লান্মী পূন্নমকসু হাত্তোকখ্রে। কাইনথংদা লৈবাক মীয়াম খন্নদুনা ঈরাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোক্লম্মী। মদুদা কবো লৈবাক্কী নিংথৌ ওইগদবা মীশক্তি লাংওন্দুনা পোক্লগা লৈরে, শামু য়াইশা থাদোক্তুনা নিংথৌবু থিহল্লু হায়না মাইবীনা লাইবাউ পীরক্লম্মী। শামু য়াইশানা অসুম লাকপনা অতোপ্পা ষণশেন্নহাশিংগা লোয়ননা ষণ শেন্দুনা লৈরিবা সনা য়াইরংচালগী মায়কৈরোমদা চঙশিল্লম্মী। শামুনা কোয়তান তান্নরকপদা শিরবসু অদু মঙায়রে খন্দুনা শামুরোমদা মমায় ওনশিল্লগা লেপ্পুনা লৈরে। মঙোন্দগী লম অমমুক লাপ্পা শামু অদু কুন্থখ্রে। মতম অদুদা সনা য়াইরংচালগী চৈশুনা শামু অদুগী মরাইবক্তা য়ৈথৎলম্মী। অদুবু শামু অদুনা নাচুংদনা লৈবদু উবদা মঙোন্দা অঙকপা ফাওরম্মী। কাইনথংদা শামু অদুনা পীরকপা ইঙ্গিৎ মতুংইন্না শামু অদুগী মথক্তা কাখত্তুনা তোংলম্মী। শামু য়াইশানা সনা য়াইরংচালবু পুরগা নোংপোক পাংনা চৎখিবদু উবদা ষণশেন্নহাশিং অমদি লৌবুক্তা লৌ শূরন্বশিংসু ইঙক ঙক্না য়েংনরম্মী। পাউ অদু তাবদগী শঙ্গোয়তাবা-শঙ্গোয়তাবীসু সনা য়াইরংচালগী খোঙ্গুল লীখিরম্মী। সনা য়াইরংচালবু নিংথৌ হাপ্লবদা মাগী চৈশুনা লাইরেল নাকা নিংথৌগী মকোক্তা অহুল্লক য়ৈদুনা হাৎখি। মমৈথংদা কৈশুমশঙদগী থাদোকখ্রবী মমা অপোকপী লীকসংনু অমদি মাবু নাউয়োক নাউকোল্লকখিবা শঙ্গোয়তাবা অমসুং শঙ্গোয়তাবীগা পূন্না নুংঙাইনা লৈমিন্নখি। শামুনা সনা য়াইরংচালবু পুরক্তুনা কবো লৈবাক্কী নিংথৌ হাপখিবগী মতাংনি...

***শামুনা অঙাং পুদুনা লেপ্তুনা লাকপনা কবো তম্পাক তারক্লে। কোনুং য়ৌগদবা খরতমক ঙাইরক্লবা মতমদা হরাওবগা লোয়ননা শামু অদু খোংদুনা চঙশিল্লক্লে। শামুনা খোংবা তাবদা লৈপাক মীয়াম থোক্তুনা য়েংনরে। কোনুং ঙাক-শেনবশিংনা থোক্তুনা য়েংবদা অরাপ্পদা শামুনা মী অমা পুদুনা লাকপদু উরে। শামুনা নিংথৌ পুরক্লে হায়দুনা মীয়াম পূন্নমক হরাওনরে। শামুগীদমক লফূ, চু, ফৌ, লফোইনচিংবা অথেলপোৎ পৈদুনা থল্লে। পুঙ, শেল, পেরে, সিংগা, ঈশৈ শকপনচিংবা পরেং লেংদুনা নিংথৌবু ওক্লে। অখঙ অহৈশিংনা য়েংবদা নুমিৎ হুম্নি শুবদা নিংথৌ ফম্বাল কাবা ফৈ হায়দুনা মতম পীরে। মরক অসিদা নিংথৌ ওইগদৌরিবা সনা য়াইরংচালবু অঙম অথৌশিংনা মাবু নিংথৌ হাপকদৌরিবনি তাক্লে। নিংথৌ ওইবগী মথৌদাং ৱায়েল চৈরাক কবো লৈবাক্কী লোনচৎ শাজৎ পূন্নমক মপূং ফানা তাকপী তন্বীরে। হুম্নি শুবা নুমিত্তা কবোগী হৌন চৎনবী মতুংইন্না সনা য়াইরংচালবু নিংথৌ হাপ্লে।***

***সনামণিক*** কৌবা ৱারীদসু কপ্পদা সনানা মপি ওইনা তাবা, মতিন্না লুপা ওইবা সনামনিকপু তেখাও লৈবাক্কী নিংথৌ ওইবীনবা মীশক থিরক্লিবা শামু য়াইশানা পুরক্তুনা তেখাও নিংথৌ ওইখিবগী ৱারী য়াওরি। থাজ ৱারীনি, অদুবু লৈঙাক মপু ওইগদবা মীশক খনবা অরায়বা নত্তে। তোপ-তোপ্পা মতিক-ময়াই চেনবা মীশক ওইগদবনি হায়বগী পাউজেল য়াওরি। অদুগুম্বা মীশক অদু শাগী মপোক্তা পোক্লবা শামুনদি খনবা ঙম্মী। ঙসিদি ঐখোয়বু ঙাকপী শেনবীগদবা অশেংবা মীহুৎ খঞ্জরো হায়দুনা দেমোক্রেসিনা পীবিরবনি। মসিমক্তদা মমল য়াল্লবা মীওইপোক্তা পোক্লবা ঐখোয় অয়াম্বদি অশেংবা মীহুৎ খনবা হৈতবনরা ইরমদমসিনা কাং-খোং চাইবগী ফীভমদা লৈরিবসি? হায়গে হায়বা নত্তে, মী পূন্নমক নৎত্রবসু মী ময়াম অমদি শেলদা ঙাওরি, থৱায় মাঙনীংদ্রি, অশেংবা মীহুৎ খনবদা লুরপ থোক্লি। মসিবু কনাগী মরালনো? সনা য়াইরংচালগী চৈশু অদুগুম্বা অমমম পায়জরদিকো! অরানবা তৌবশিংসি সেৎ সেৎ হেক কন্থরদিকো! ●

# মমালোলগী নুমিত্তা ইমালোল

- নবকুমার ওইনা -



লোল হায়বসি পুনশিন্নবা য়াবা মহৌশাগী খুদোল অমনি। কংলৈ লোল অসি পুনশিন্নরগা শেমগৎলক্লবা লোল অমনি হায়বসি হেক-হেক কাউথোক্লখিবগুম তৌনৈ। লোলগী নুমিৎ অমা লেপ্পা ঙম্নরক্লবা মতমসিদা নৌহৌননা নীংশিংবা তঙাইফদে হায়বা অমা লাকই। মীতৈগী অরিবা লাইরিক্তা ইরল্লিবা লোল, খুমনগী অরিবা লাইরিক্তা ইরল্লিবা লোল, মোইরাংগী অরিবা ৱারী ইরল্লিবশিং অদু ঙসিগী মীয়াম্না ঙাঙনদ্রে। লোলগী শক্তমসু হোংলগা চৎলি, ঙসিসু হোংলক্লি; পাম্মী-পামদে, লাল্লি-চুম্মী ময়াম অমা ঙাঙনরি। মফম-মতমগী মতুংইন্না লোলগী মশক হোংবদা মফমগী মখা পোন্না তোঙান্না উরকপসু য়াওরিবনি। খরা-খরা মান্নরগা কাঙলূপ তোঙান্না লৈনবসু ময়াম্লি। পূন্নমক লম্বী থোংগী মখা পোন্না শা-লানগী চৈথেং ফংলগা লৈঙাক তোঙান্নখিবা, লোলদি মান্নবা কয়াসু লৈরি। কংলৈ লোল অসি শেমগৎখিবগী তাংদাংবা কয়াৎ অমা মীয়াম্না খঙনরবনি হায়বদি লৈত্রিবা মাল্লি। খা-নোংচুপ এসিয়াগী মীওই কাঙলূপ কয়াগী লোলশিংগী ৱাহৈ-ৱাতা মান্নবা ময়াম য়াওবসিনা কাঙলূপ কয়াগা শম্নরকই হায়বসু তাকই। লোলদি নোমেদিক ওইরিনৈঁদগী শেমগৎখ্রবা ওইগনি হায়রবসু কাঙলূপশিং পুনশিন্নবদা লোলসু পুনশিন্নখিবা য়াওবা তাবনি।

থৌওং অদুমক লোল অসিদসু থোকখ্রিবনি হায়বা মশানা তারকই। মমিংদা মীতৈলোল হায়রগা লৈহৌরবসু কাঙলূপ কয়াগী লোল পুল্লগনি হায়বদি অদুমক খঙনরিবনি। কুমজা ১৯৬০গী মতুংদগী স্কুল-কোলেজদা মণিপুরী হায়বসি হৌরকই হায়বা য়ারি। মীওই খরনা মশক মমিং খঙদনা তৌখিবসু ওইবা য়াই। মীতৈলোল হায়বদা য়ানীংদ্রিবরা নৎত্রগা লান তাশিনবগুম্না লোল অসিগী ৱাহৈ নত্তবা অমদা মমিং থোনবা য়াখ্রিবসি করম্না ওইখ্রিবনো হায়বা হংনফম থোক্তব্রা? মতম অসিদা লোলয়ানগী ৱা য়াম্না ঙাঙনবা তারে, অদুগা মণিপুরী কৌরিবসিগী ৱাদি য়াওনদ্রিবা করিগী ওইগনি। লমদম অসিদদি লোলগী নুমিৎ অমা লেপ্পখিবগী ৱাথোক অদুগুম্না থোকপা য়াগদৌবসু মান্দে। লোলগী নুমিৎ অসিনা ৱাখলগী লংলা অমদি থোক্লক্লিবা ওইগদৌরি। লোল খেন্নবা ময়াম অমা চঙশিল্লক্তুনা যূম থংনদুনা লৈমিন্নরবসু লোল পুনশিনবা ঙম্নদ্রিবা অসিদি পূন্না লৈমিন্নবা কুইদ্রিবসু ওইবা য়াই। মদুদগী ওইগদৌরিব্রা লোল অসিদি মণিপুরীনি হায়রি। মীতৈলোল নৎত্রে হায়বনি। লোলগী মমিংদা পঙপক পকশিন্নবদি চৎনবী ওইনা লৈবা নত্তে।

লোল অসিদি কাঙলূপ অমনা মপু শাবা য়াগদৌবা মান্দে। মাগী-মাগী কাঙলূপকী মিংদা চিংলগা পুগনি খনবসু ফজদে। ৱাখলগী থাক ৱাংবনি হায়বা য়াগদৌবসু মান্দে। পুকচেল তিংনা দেমোক্রেটিক ওইবা ফোর্মুলা অমা পুথোকপা চঙগনি। মীওই খরনা লোন অসি অসুম্না তৌগদৌবনি, ময়েক্না মসি ওইগদৌবনি হায়না কন্না য়েৎনফমদি থোক্তবনি। পুনবদু নীংশিংবা থোক্লবদি খেন্নবা লৈগনি হায়বসি মশানা তাবা ৱা অমা ওইরকই। খেন্নবা খুদিং চুল্লগনি হায়বসু লৈতে, লোল অসিগী চানজবা অমা থিফম থোকই। মীওই অমা অনীগী মীচং চংনবা মানবসু অরানবা খোঙথাং ওইবা য়ারিবনি। করিগী মপু শানগদৌরিবনো, খঙদনা অখঙবা শাবা মাল্লক্কদৌরি, ঐ-ঐনা ঙমদবা য়াদে খনবা য়াওনরবদি লান তাশিনবা ওইনা লৌনরকপসু য়ারক্লি। লোল অসি ফজহনবা হায়বসি লোল অসি ঙাঙলিবশিংগী লোনচৎ অমা ওইগদৌবনি। মীওই মঙা-তরানা মতম অমদা তৌরম্লবসু ফজদ্রবদি তোকপা তারকই। শিখাং খাঙবশিংনা লোল অসি নুংশিরিবনি হায়বা পকচরক্তবসু য়ারিবনি। তৌরোইদৌবনি।

ইশাসি কনানো খঙনবা হোৎনবদা ইশাগী লোল করি ওইরি খঙদবা য়ারক্তে। ইশা খঙজরবসু ইমালোলদি মশক খঙবা ঙমজদবা তারক্লি। নৈনদবদি য়ারক্ত্রে, লৈজরিবা লমদম য়েংলবদি ইশাগী লোল অসিগী মমিং চুমদে। লৈবাক্কী মমিংগা লোলগী মমিংগা মান্নগদৌবনি হায়বা অকক্লবা ৱাফম লৈতে। অখঙবা শারগা পঙতৌ তৌশিল্লুবসু অতাক-অফোংনবা অমা থোক্লক্লি। লৈমিন্নরিবা কবুই কাঙলূপ্না মশাগী মমালোল ঙাঙবা ঙম্লগা লৈবাক অমা ওইনা লৈরল্লিবা খুমন, মোইরাং হায়বশিংগী লোল মণিপুরীনা কমদৌনা ওইখ্রিবনো হায়বা ৱাহং মশানা লাকচরকই। পুনবা নৎত্রগা লান ঙম্নবদা লোলগী মমিং হোংনব্রা? ইমিগ্রেন্টশিংগী লোলগী মমিংনা হোংহনবা ঙমহৌদ্রিবা করিগী ওইফম থোক্লিবা? লোলগী কয়াৎ খঙবগী ওইফম থোক্তে, কদায়দনো অমা শমজিনবা হেনখিবা অমা য়াওরি হায়গনি। ঙাওরিবসি লোলদনি, ৱাখল-লৌশিংদা মান্দে। খুন্নাইলোন্দা, লৈঙাক্লোন্দা থাজদবা ৱাফম কয়া য়াওশিল্লকই। য়েৎনবা হায়বদি য়াদে, হায়ফম খঙদবা হায়বদুদি ওইরে, নাকল অমদনা পেন্দবগী ৱাকৎ কয়া লৈবসু য়ারি। মহৌশাগী হৌনবী অমনি, শাওরুবা য়াবা নত্তে। শেমদোকপা শাদোকপা য়াবা পোৎনি, লোল অসিনা ইমালোল ওইমিন্নরিবা ময়ামগী থৌদাংনি। মদু খঙদ্রবদি লোলসি মাঙখিবা য়ারিবনি, মুল্লগা লৌগনি খনবদি ওইথোকপা য়াগদৌবা মান্দে। লোল অসিবু নুংশিজরিবা মীওই কয়া লোৎলগা লৈবা য়াবা নৎত্রে হায়বা খঙনরক্লগনি। মালেম অসিনা কায়দ্রিবা ফাওবা চথহৌগদৌবা খোঙচৎ অমা মায়কৈ চুমদনা লমথাখিবা ওইবা তারবদি ইচা-ইশুশিংনা ৱারৌগদৌরি। মমালোল লৈরক্লোইদৌরি।

২১শুবা চহী চাগী চহী ২৪ হৌখ্রে, চহী চাম্মা ঙাইখিবা তারিব্রা? করিগীনো হংনরকপদা অঙকপা ওইবসু য়ারিবনি। অসি য়ৌনা মীরোল তাহৌদ্রিবা করিগীনো হংনরক্লবনি। অনৌবা চারোলনা লোল অসিদা পূক্লিং চঙনীংদবগী মরম ময়াম অমা লৈফম থোকই। লোল অসিদগী লাপথোকখিবা মী মশীং নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। মমালোল নৎত্রবসু ময়েক খঙদ্রবসু লোল অসি ঙাঙবা ঙম্বা মী মশীংসু অসুম হেনগৎলক্লি। লোলগা লাই অমগা অকক্লবা মরী লৈনদ্রবসু চৈথেং কয়া পীশিন্নরি। ময়েক্না লোল অমগসু অকক্লবা মরী লৈনবা নত্তে, লৈরবদি ফরিবনি। মমিংসু চাম্মরক হোংলকপা য়ারি, মপুসু চাম্মরক হোংলকপা য়ারক্লি, মুন্নরিবা অমনা মশাদু ‘ঐনি’ হায়না থোক্লক্তবসু য়াই। ঙসিগী শক্তমসি মশিঙখা ফবা খরনা শেমগৎখিবসু নত্তে। পুকচেল শেংদবা খরনা মমিং পঙহোং হোংলুবা মাল্লবসু খুনু মখোঙদা শম য়েৎপগুম্বনি। খুনুদু শমদুগীনি হায়নদে।

লোলদা অকল-অরিং শীংবসু লৈরে, লোলদা মীখা পোনবসু লৈরে, লোলদা লৈবাক-মচা-তাদবসু লৈরে, মুৎখিবা লোলসু লৈরবনি হায়বা য়ারক্লবনি। মমালোল করিনো খঙদবসু লৈরবনি, মীতৈলোল হায়বসি মূৎশিল্লক্লবনি মণিপুরী কৌরে। মশানা য়ারগা নৎত্রগা য়াদনা, উনা-উনা লোলসি ইন্দেঞ্জর ওইরে খঙনরবনি। লোল অসি ঙাঙলিবশিংনদি লোল অসি শন্দোকপা ঙল্লিবনি। মীনাই মচাশা হায়বদুসু লোল অসিদা ঙাঙনবদা য়াওনরিবনি। শাজৎ চুমদ্রবদি পুনশিল্লকপগী হৌনবা বাই-পোলার স্পার্ক অদুম থোক্কনি, মহৌশানি। তপ্পা-তপ্পা পুনবদি লেপ্তুনা চথদুনা লৈগনি, কনাগুম্বনা মোনার্ক মাঞ্জবতনি।

অরোইবদা কংলৈলোল হায়রক্কনি। ●

# মিজোগী ঈহৌ অমদি ইন্দিয়া-চাইনাগী মরী

- জোস চোংথাম -

কুমজা ১৯৬২দা ইন্দিয়াগা চাইনাগা শোক্লবা লানদা ইন্দিয়া মায়থীহৌরবা মতুংদা মিজোগী ঈহৌ কনখৎলকখি। শোল্লবা ইন্দিয়াগী লান্মীশিংগী মথক্তা ঈহৌ কনশিল্লগদি করিমত্তা তৌরকপা ঙম্লোই হায়বগী ৱাখল অমা লালদেঙানা মতমদুদা খনখি। কুমজা ১৯৬২গী জুলাইদা মতমদুগী পাকিস্তানগী এসিস্টেন্ট হায় কোর্ট কম্মিস্নর অদু শিলোংদা উননবা পাউ ফাওখি, লানদুগী হেক মমাঙদা। নাগাগুম্না মিজোশিংসু পাকিস্তান্দগী শেল অমদি খূৎশু খূৎলায়গী মতেং পামখি। পাকিস্তানসু পীগনি হায়বগী থাজবা মখোয়দা পীরকখি। মতমদুদা লালদেঙাদা শেল পীরকখি। অদুবু মহাক্লা হল্লকপা মতমদা অসাম পুলিসনা ফারগা সিলচরগী জেলদা থমখি। এম এন এফকী মীহুৎশিংনা তকশিনবা হেনমনবদগী মহাক কুমজা ১৯৬৪দা থাদোরকখি।

চিন হিলসতা ফূরুপ মচা মচাশিংগী ওইবা ঈহৌ কয়া শাগৎলক্লিবা ময়াম অসি বর্ম্মাগী মতমদুগী ইন্টলিজেন্সনা কূপ্না য়েংশিল্লম্মী। চিন হিলসকী খা থংবদা রখাইন ষ্টেট লৈ। মফমসিদা অরাকান নেশনল লিবরেশন ফ্রন্টনা মপাঙ্গল কন্না লৈরম্মী। রেঙ্গুননা লৈবা লৈঙাক্লা কুমজা ১৯৬৩দা ‘Ma Ma Operation’ হৌদোক্তুনা বর্ম্মাদা চিন হিলস লৈঙাক্কী মখাদা পুরক্লবা কন্না হোৎনরকখি। বর্ম্মানা এম এন এফনা চিনগা পুল্লগা তোঙানবা নীংতম্বা মিজোলেন্দ তাল্লকপা পাল্লমদে। এম এন এফকী দিফেন্স মিনিষ্টরনা কুমজা ১৯৬৪দা দক্কাদা চৎতুনা লালহৌবশিংগী খূৎশু খূৎলায় অমদি হৈশিংবা তম্লুনবা শিল্লকই। ইকুই কুইদনা মিজো কয়া অহানবা বেটচ ওইনা পাকিস্তানগী ওজাশিংনা দক্কা মনাক্তা তাকপী তম্বীরম্মী। তাকপী-তম্বীরক্লবা ময়ামদু কুমজা ১৯৬৫দা আই এস আইনা পীরকপা খূৎলায়গা লোয়ননা হল্লকখি।

মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর লাল বহাদুর শাস্ত্রিদা কুমজা ১৯৬৫দা লালদেঙানা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখি। মসিদা মহাক্লা অরোইবা ওইনা শান্তি ওইনা ইন্দিয়াদগী খায়দোকচরগে হায়বগী ৱারোল থমখি। মহাক্লা ইন্দোনেসিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরদা ফাওবা চে ইদুনা মতেং নীখি। মার্চ ১, ১৯৬৬তা অহিং নোংয়াই হেক লানবগা লালদেঙানা মিজোরাম নীংতম্লে হায়না লাউথোক্লগা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংদা খূৎ থাখি। থা মরি লৈরগা মিজোগী মরু ওইবা লানজিংবশিংগা লোয়ননা মীওই ৩০০ মুক মতমদুগী ইষ্ট পাকিস্তানদা নোংমৈ, খূৎশু-খূৎলায় লৌরুনবা চৎলুই। লালদেঙানা তৌরক্লিবা Operation Jericho অদুদা ইন্দিয়া অঙকপা ফাওখি, শুকথা থাজরুদবা পোৎ অমা ওইখি। এম এন এফনা মখোয়গী দিষ্ট্রিক্ট অদু ফাওবা লৌশিনবা ঙমখিদে। ইন্দিয়ানা হন্দুনা খূৎ থারকপা অদু পাকিস্তান্দা তম্লুরবা মীওই কয়ানা অঙকপা ফংনা ঙাকথোক্তুনা ঈরাং অদু কুইনা শাংনা চৎতুনা লাকই। লালদেঙানা মহাক্কী ইমুং-মনুং দক্কাদা থুংখি। মহাক্লা তৌরিবা ওপরেশন অদুনা লালহৌবা অমা ওইনা মহাক্কী মীংচৎ অদুক্কী মতিক থীহনখি। ইকুই কুইদনা এম এন এফনা অমুক চাইনাগী ইন্টিলিজেন্সতা পাউ ফাওবা হৌখি। মতমদুদা চাইনাদা কলচরেল রেভল্যুশন হৌরিবা মতম ওইবনা, ইন্দিয়াগী মায়োক্তা হৌবা লালহৌলূপ কয়া শৌগৎতুনা লাকই।

দক্কাগী কন্সলটেন্টতা লালদেঙানা ১৯৬৭তা চৎত্রিনৈঁদা এম এন এফকী মীহুৎশিংনা চাইনাগী লানপাওলোই (spies) শিংগা ৯লক উনখি। চৎলুবদুদা থাজবা পীরক্তুনা চাইনাগী কন্সলটেন্ট অদু মতম অদুদা শেল তাদোরকফম, প্রোপেগন্দা তৌনবা মচাক ফংফম অমদি মাওইষ্টকী লাইরিক, চে-চাং কয়া য়েনফম ওইদুনা লাকখি। অদুগা ১৯৬৮দা মিজো লালহৌবশিং চাইনাদা চৎপা হৌখি। লালদেঙানা ১৯৬৮গী সেপ্টেম্বর থাদা Peking চৎতুনা Chou En Lai উনরুই। উনবদুদা মিজো লান্মী লিশীং অহুমদা খূৎশু খূৎলায় মতিক চানা পীগনি হায়বগী থাজবগা লোয়ননা শেলগী মতেং ওইনা yuan 500,000 পীগনি হায়রকখি।

শোমদনা ইন্দিয়ন আর্মিগী জেনরেল ওফিসর কম্মান্দিং, ইষ্টর্ন কম্মান্দ, লেফটিনেন্ট জেনরেল সাম মানেকশোনা ইন্দিরা গান্ধীগী মখাদা অফস্পা শীজিন্নদুনা কন্না ঈরাং লাকশিনবা হৌখি। মার্চ ৫, নীংতম্লে লাউথোক্লবা মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা আইজোলদা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী ফাইটর জেট মরিনা কাপথরকখি। মীচমদা বোম লংশিনবা হৌরকখি। মথক্তগী কাপথরকপা ময়ামসিনা মীচম অয়াম্বা চীংদা তকশিনখিনবগী মরম অমা ওইখি অদুগা এম এন এফকী লান্মী কয়া বর্ম্মা অমদি ইষ্ট পাকিস্তানগী লোৎফম কয়াদা কায় কায়দুনা চেন্নখি। চীংদা তৌবা লান্দদি ফাইটর জেট শীজিন্নৌ য়াদদনা লান মায়থীরগা আইজোলদা মীচমদা কাপথবদা করিমত্তা হালেংবা লৈখিদে হায়বগী মিজো মচা কয়া অমা শাওনখি। মসিগী মতুংদা পাকিস্তান অমদি চাইনাগী ওইনদি মী লৌবগী খ্বাইদগী নুংঙাইবা তাঙ্কক ওইরে। মতমদুদা লৈরম্বা চিংনবা অমনা মিজোশিংনা নাগাশিংগা পূনশিল্লগদি ইন্দিয়াদগী তোখায়না তাখিবগী অচৌবা ওইথোকনীংঙাই ওইবা ফীভম অমা লাকখি। কুমজা ১৯৬৫গী লানদা পেন্দদুনা লৈরিবা পাকিস্তান, অদুগা কুমজা ১৯৬২গী লান্দা মায় পাকখ্রবা চাইনানা ফূরুপ কয়াগী মনুংদগী হৌরক্লিবা ইন্দিয়াদা নীংতম্বগী ঈরাং অমদি ঈহৌ ময়াম অসিদা মতেং পাংখি। মণিপুরদসু পেন্দবা কয়া ফাওনরকখি।

কুমজা ১৯৬৫গী মতুংদা নাগাশিং চাইনানা খূৎশু খূৎলায় অমদি শেল থুমগী মতেং পাংখি। ১৯৬৬-৬৮দা নাগা ১৬০০ মুক চাইনাদা চৎতুনা লাল্লোং কয়া তম্মকখি। চাইনানা নাগাশিংবু কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মার্ক্সিষ্ট) তা য়াওহন্নীংই, অদুগা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা লান হৌহন্নীংই। নাগাশিংদা ৱাখল্লোন কয়া, মাওগী গরিলা লাল্লোং কয়া তাকপী তম্বীরকই। ১৯৬৯দা Nanking Military Academy দা খূৎশু খূলায় তমখি। ইন্দিয়াদা মার্চ ১৯৭০দা হল্লকখি।

১৯৬৬কী টাস্কেন্ট দিক্লারেশনগী মতুংদা ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তান অনীগী মরক্তা লৈনরিবা য়ানদবা কয়া অদু য়ানখিদৌরে নীংলকপদগী চাইনা মীপাইবা য়াম্না কন্না পোক্লম্মী। মসি ওইথোক্তনবা হায়দুনা চাইনাগী মীহুৎ কয়া দক্কা অমদি করাচিদা ১৯৬৬তা থারকখি। মতমদুগী আই বিগী রিপোর্ট অমদা ইন্দিয়াদা চাইনানা শোকহল্লকপা ঙম্বগী চাং নৈনবদা টিবেটকী লমগী শকফমগী মতুংইন্না ইন্দিয়াদা লান্দারকপা ৱানা থোক্কনি হায়রবসু Ladakh, Chumbi valley, Tawang অমদি Walong দসু শাফু পীরকপা য়াই হায়খি। হৌজিক্কী ইন্দিয়া-চাইনা-বর্ম্মা মুক্লবা অসি Walong দা তাই। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ-১০৯গী ৱাহং

১) “অপংবা তাইবঙ মরুপতি ইপুরোইগী মমিনি মিংখৈরোনবু ফংবনা কুম্মৈ উজখিবনি।” ৱাহৈ পরেং অসি অরিবা মণিপুরী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। লাইরিক অদুগী মমিং হায়য়ু।

২) “অন্দ্রোগী মৈ” হায়বা ৱারেং অসি ময়াম্না শকখঙলবা ৱারেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। ৱারেং অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৩) “তমথীবা নিংথমথা অমা’ হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? ওরিজিনেল রাইটর অসি কনানো?

৪) “থাবল ইপোম হৌরকঙৈ” হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৫) “অশিবা তুরেল” হায়রিবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম (মার্চ ১৪-১৮ ফাওবা য়াওশঙগী ছুটি ওইবনা) মার্চ ১৯, যূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।